# হোক্কী ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ২০১৮ দা ওস্ট্রেলিয়া অমসুং স্পেন সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে, ইন্দিয়াগী লাইবক ঙসি অথেংবদা লেপকদৌরি






লন্দন, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী)ঃ

ইংলেন্দনা যূম্ব ওইরগা মমাঙ থাগী ২১ দগী চঠরকপা হোক্কী ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ২০১৮ গী ঙরাং শান্নখিবা মেচশিং মায় পাক্তুনা ওস্ট্রেলিয়া অমসুং স্পেন সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী টিম ঙসি অথেংবদা সেমি ফাইনেল য়ৌবগী লাইবক লেপ্লগনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনি অমসুং স্পেন লম্বা তৌনখি। জর্মনিগী টিম ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ৬ শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। অদুগা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা স্পেনগী টিম ১১ শুবা পোজিসনদা লৈরি।

টিম অনীনা লি ভেলি হোক্কী এন্দ টেন্নিস সেন্টরদা শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর অদুদা বোল মান্ননা পায়দুনা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখি। অহানবা ক্বার্টর অদুগী মিনিট ১৫ শান্নবা লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা ক্বার্টর শান্নবা হৌরকখি। হোক্কীগী মেচ অমদা মিনিট ১৫ গী ক্বার্টর মরিনা শারগা মপূং অমা ওইরি। অহানবা হাফতা মিনিট ১৫ অনীগী পুংখায় অমনা মেচ অদুগী হাফ ওইরি। অদুগা চপ মান্ননা অনীশুবা হাফতসু ক্বার্টর অনী শান্নবদা মিনিট ১৫/১৫ গী মতম লৌরি। ঙরাংগী মেচ অদুগী অনীশুবা ক্বার্টর শান্নবা অদুদসু জর্মনি অমসুং স্পেননা ফনা কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল থিরকপদা ঙম্মদবদগী হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। মেচকী অহুমশুবা ক্বার্টর অদুনা লি ভেলি হোক্কী এন্দ টেন্নিস সেন্টরদা তিনখিবা মীয়াম্না টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল শুংশোয় শোয়দনা চল্লগনি হায়না থৱায় য়াওনা মীৎয়েং তাখি। ক্বার্টর অদুদসু পাঞ্জল চন্নদনা লৈবদগী জর্মনি অমসুং স্পেননা অরোইবা মিনিট ১৫ গী শান্নবা মতম অদুদা মখোয় মখোয়গী মায়কৈদগী অকনবা মশান্না উৎতুনা পাঞ্জল চন্দবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন অদু পুখৎলকখি। ক্বার্টর অদু লোইগদবা মিনিট ৬ তমক ঙাইশিল্লকখি।

পাঞ্জল চন্নদবা তারবদি মশান্না অসিগী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না পেনালটি ষ্ট্রোক য়ৈনগদৌরিবনি। অদুবু স্পেনগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা বোল অদু জর্মনিগী পেনালটি এরিয়া য়ৌশিল্লকখি। টিম অদুগী শান্নরোয় কারমেন কানোনা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা জর্মনিবু ১-০ দা মাঙজিল থাখি। উপাই লৈখিদ্রবা জর্মনি অরোইবা মিনিট ৬ অদুদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মখোয় ৱর্ল্ড অদু মায়থীহৌখি।

স্পেননা থা অসিগী ৪ দা ঙসি অথেংবদা শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়া অমসুং আইরলেন্দ অনীগী অথোইবগা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ওস্ট্রেলিয়া অমসুং অর্জেন্টিনানা লম্বা তৌখি। অর্জেন্টিনা ৱর্ল্ড নম্বর ৩ নি। অদুগা ওস্ট্রেলিয়ানা ৱর্ল্ড নম্বর ৫ নি। টিম অনীনা শান্নখিবা অহানবা হাফকী পুংখায় অমগী মতম অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। ওস্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন ইমিলি স্মিথনা মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুবু লুচিংদুনা অর্জেন্টিনাগী মায়োক্তগা পাঞ্জল চনশিন্নবা কন্না হোৎনরকখি।

অমরোমদা অর্জেন্টিনাগী টিম অদুবু দেলফিনা মেরিনোনা লুচিংদুনা ওস্ট্রেলিয়াবু লম্বা তৌরকখি। পাঙ্গল মান্নবা মরম্না টিম অনীনা মখা তাবা অনীশুবা হাফকী ক্বার্টর অনীদসু ফনা কন্না হোৎনদুনা লাক্লবসু পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না টিম অনী পেনালটি সুটআউটতা অথোইবা অদু মশক খঙননবা শেম-শানখি।

ওস্ট্রেলিয়াগী গোলকীপর রেচেল লিঞ্চ অমসুং অর্জেন্টিনাগী গোলকীপর বেলেন সুচি মখোয় মখোয়গী টিমশিং অদুবু মায় পাকহন্ননবা শেম-শাদুনা লৈখি। টিম অনীগী মায়কৈদগী অহানবা পেনালটি সোট পাঞ্জল ওইনখিদে। অনীশুবা সোট পাঞ্জল অমমম চন্নখি। ওস্ট্রেলিয়াগী অহুমশুবা সোট অদু মেদি ফিটসপেত্রিকনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। নাকল অমরোমদা স্পেনগী ওগষ্টিনানা পাঞ্জল ওন্থোকখি। ওস্ট্রেলিয়াগী মখা তাবা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অদুগা স্পেনগী মখা তাবা পাঞ্জল ২ গী মনুংদা অমা চনখিদবদগী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না অহানবা সোট ৫ য়ৈনবদা পাঞ্জল ৩-৩ লৈনবদগী সদ্দন দেথকী ওইবা সোট অনী অনী য়ৈননবা অমুক হন্না টিম অনী শেম-শানখি।

সদ্দন দেথকী অহানবা সোট অনী পাঞ্জল ওইনখিদে। ওস্ট্রেলিয়াগী ব্রুক পেরিসকী সোট পাঞ্জল ওইখি। অমরোমদা অর্জেন্টিনাগী কেপ্টেন দেলফিনা মেরিনোনা য়ৈখিবা সোট পাঞ্জল ওইহৌদবদগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু ওস্ট্রেলিয়ানা অর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৬


১। অহানবা সম্মর ওলেম্পিক পাঙথোকপা মতমদা পাঙথোকখিবা অহানবা থৌরম অদু করিনো?

২। কুমজা ১৯৬২দা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট গেমসতা মরাথোন্দা মকোক ওইখিবা নুপা অদু কনানো?

৩। ৱেষ্টর্ন রোল হায়রগা করিবু খঙনবগে?

৪। অরুনাচল প্রদেশকী অহানবা ইন্টরনেসনল ফুটবোল শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ইন্দিয়া ব্লু টিমগী কেপ্টেন মিথালিনা ওইরগনি



মুম্বাই, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী)ঃ থা অসিগী ১৪দগী ইন্দিয়াগী ষ্টেট কর্নাটকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা লৈবা অলুর সিটিদা হৌগদৌরিবা সেমিয়র ৱুমেন্স টি-২০ চেলেঞ্জর ট্রোফিদা মিথালি রাজনা ইন্দিয়া ব্লু টিমগী কেপ্তেন ওইরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম ৩না লম্বা তৌনগদৌরি। ইন্দিয়া ব্লু টিমগা লোয়নননা ইন্দিয়া রেদ অমসুং ইন্দিয়াগী গ্রিন টিম অহুম্না শরুক য়াগদৌরিবনি। ইন্দিয়া ব্লু টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুদি-ভনিথা ভি আর, দি হেমালথা, নেহা টানৱর, অনুজা পটিল, সাইমা থাকোর, টানিয়া ভটিয়া (ৱিকেট কিপ্পর), রধা যাদব, প্রিটি বোস, পুনম যাদব, কিরথি জেমস, মান্সি জোসি অমসুং সুমন গুলিয়ানি।

ইন্দিয়া রেদ টিমগী শান্নরোয়শিং অদু দিপ্তি শর্ম্মানা লুচিংগদৌরি, পুনম রাৱট, দিসা কসাট, মোনা মেস্রাম, হার্লিন দিওল, টনুস্রি সরকার, ইকতা বিসট, টনুজা কন্বর, সিখা পান্দে, সান্তি কুমারী, রিমা লক্ষ্মি ইকা, নুঝাট পর্বিন (ৱিকেট কিপ্পর) অমসুং অদিটি শর্ম্মানি।

ইন্দিয়া গ্রিন টিমগী শান্নরোয়শিং অদুনা ভেদা কৃষ্ণমুর্থিনা লুচিংগদৌরি, টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি জেমিমা রোদ্রিগেজ, প্রিয়া পুনিয়া, দেবিকা ভাদিয়া, মোনিখা দাস, অরুনধাটি রেদ্দি, সুসমা ভর্ম্মা (ৱিকেট কিপ্পর), রাজেশ্বরি গয়াক্বাদ, ফটিমা জফর, সস্রি দিবয়াদর্সিনি, সুকনয়া পরিদা, ঝুলন গোশ্বমি অমসুং সজানা এসনি। ঙসি মুম্বাইদা ৱুমেন্স সেসেক্সন কম্মিতিনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা সেনিয়র ৱুমেন্স টি-২০ চেলেঞ্জর ট্রোফি টুর্নামেন্টকী শান্নরোয়শিং অদু খনখি।



মমি ৱাৱী

# লোইবা নাইদবা খোঙচৎসিদা

অতোম রজিব সিংহ





